Refreshingly Reliable

# হুইয়েন লানপাও

The messenger of the masses


মথৌদা পূক্নিং চঙবা অমসুং কথোকপগা লোয়ননা থৌনা ফনা থবক তৌবগীদমক এ আরগী দি জিনা এদিসনেল এস পি ইবোচাদা কম্মেন্দেসন দিস্ক পীবা



নেসনেল সার্বিস স্কিম সেল এম য়ুনা শীন্দুনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী কোর্ট হোলদা পাঙথোকখিবা স্বামি ভিবেকানন্দগী মপোক নুমিৎ থৌরমগী শক্তম




নোংমৈনা কাপ্পুনা মী হাৎপগা মরী লৈননা ফাখিবা মীওই বেলদা থাদোরকপগী মায়োক্তা নাওরেমথোং খুলেম লৈকায়দা ফমখিবা মীয়ামগী ৱাকৎ মীফম




মোংশাঙ্গৈদা লৈবা ওল্ড এজ হোমদা দিরেক্টোরেট ওফ অয়ুশনা স্পোন্সর তৌদুনা পাঙথোকপা ফ্রী হেল্থ কেম্পতা ডোক্টরনা অহল ওইরবা অমা লায়েংবা




Vol. 39, Issue No. 297 | য়ুমশকৈশা, ৱাকচিংগী ৪ নিনি পানবা, | অপুনবা লমায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Wednesday, January 13, 2016, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 3.00


### অ ঈং-অশাগী পাউ

| দিষ্ট্রিক্ট | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ০০.০০°c | ০.০০ °c |
| চান্দেল | ২৩.০৮°c | ৯.৩৫ °c |
| সীসীপুর | ২০.৭৫°c | ৭.৩৯ °c |
| ইম্ফাল | ১৮.৭৫°c | ৬.৬১ °c |
| সেনাপতি | ২০.৫৩°c | ৪.৮৫ °c |
| তমেংলোং | ২২.২৭°c | ৮.৮৩ °c |
| থৌবাল | ২০.০৫°c | ৯.৬৩ °c |
| উখ্রুল | ১৮.৪২°c | ৮.১২ °c |
| মণিপুর | ২৩.৪৬°c | ৪.৮০ °c |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.২০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৬.০২
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৪২
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট, জি ও এম

# ঙমখৈ অমদি মীয়ামগী পুন্সি ঙাক শেনবদা এ আরনা অচৌবা থৌদাং লৌরি: ইবোবী



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচএনএস)ঃ আসাম রাইফলসনা অৱাংনোংপোক ষ্টেটশিংদা লালহৌবা লাকশিন্নবা হোৎনবগী মথক্তা মীয়ামগী পুন্সি, লন-থুম ঙাকপা অমসুং ঙমখৈ কায়হন্দনা থম্নবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাংশিং শিংথারদুনা চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা আসাম রাইফলসপু অৱাংবা থাক্তা থাগৎখ্রে।

ইন্সপেক্টর জেনরেল আসাম রাইফলস (আই জি এ আর) সাউথকী মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা হেদ ক্বাটরদা অহানবা ওইনা পাঙথোকপা আসাম রাইফলস এক্স-সার্বিসমেন রেল্লিগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী লিরবা পেরামিলিটরি ফোর্স অমা ওইরিবা আসাম রাইফলস অসি ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দরগী পরিংদা ঙমখৈ ঙাক্লি। চহী কয়াগী মমাঙদগী হৌনা লালহৌবগী ঈরাংনা লৈতাদবা ফীভম অমা লৈরম্বদু ঈং-তপ্পা ফীভম অমদা লাক্লে।

ষ্টেট অসিদা কাউন্টর ইন্সরজেন্সি ওপরেশন কয়াদা আসাম রাইফলসকী পার্সনেলশিংনা হকথেংননা মায়রোং য়াদুনা মীহাৎ-মীপুনগী থৌদোক ৱাথোকশিং নেমথহনবা ঙম্বতা নত্তনা সিভিল এদমিনিষ্ট্রেসন্দা চাউনা মতেং পাংলি। লালহৌবগী ঈরাং নমথনবা হোৎনবা অমদি ঙমখৈ পরিং ঙাক শেনবদা অচৌবা থৌদাং য়াবগী মথক্তা লৈবাক অসিনা মহৌশাগী ওইবা খুদোংথিবা থৌদোক কয়াদা আসাম রাইফলসকী পার্সনেলশিংনা মকোক থোংনা শরুক য়ারি। মণিপুরদা মমাঙ চহীগী জুলাই অমদি ওগষ্ট থাদা থোকখিবা ঈশিং ঈচাউদা অৱা-অনা তারবশিংবু লৈঙাক্কী য়াথং ঙাইদনা তেংবাঙখি অমদি অৱা-অনা তারবশিংবু চঙজফম পীবগা লোয়ননা চান-থক্নবা পোৎলমশিং ফংহনখিববু ইবোবীনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ষ্টেট অসিদা অহানবা ওইনা পাঙথোক্লিবা রেল্লি অসিদা য়াওদুনা লৈবাক্কী লানফম কয়াদা ইচং থৌনা চোংথোক্তুনা লৈপাক্কীদমক থৱায় কৎখিবশিংগী লৈহৌরিবা *বির-নারি* শিং অমদি মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওদা শরুক য়াখিবা অহল ওইরবা মথৌদগী পোত্থারবা লান্মীশিং উনবা ফংবদা হরাউবা পোকই। মণিপুর অমদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মখোয়গী মফমদা কোক নোনফম থোকই, ঈকায়খুম্ন বা উৎলি।

রেল্লি অসিদা থৌনা ফরবা লান্মীশিং বির-নারিশিং অমদি মখোয়গী ইমুং-মনুংগী অৱা-অনা তান্নফম ওইবা মফম অমা ওইরি। চহী কয়া মুক্নবগী লানফম অমদি শেন্মীৎ-লোনগী নুংনাংবা মরক্তগী থোরক্তুনা অনৌবা পুন্সিরোল অমদা চঙশিল্লকপা ষ্টেট ওইরক্লি। লান্মী ওইরম্লবশিংগী থকসি-খাসি অমদি মীয়োক-মীচান ফজবগী মতৌ অদুনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# পুৱারী খঙদবদগী ঐখোয় মশেল উংখৎনবনি : গাইখাঙম



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচএনএস)ঃ মীওইবা খুন্নাইদা পুৱারী হায়বসি য়াম্না মরু ওই, পুৱারী খঙদবদগী ঙসি লমদমসিদা খুন্দারিবা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোক তোয়না থোক্লি হায়না দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙমনা ফোঙদোকখ্রে।

লিয়াংমাই স্পোর্টস এসোসিএসন আসাম, মণিপুর, নাগালেন্দদা শীন্দুনা ঙসি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মখান ভীলেজদা পাঙথোকপা ২৪শুবা স্পোর্টস মিট হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা গাইখাঙমনা হায়খি, ঐখোয়না হিংংলিবা পুন্সি মহিং অসি লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংনা চৎনরম্বা চৎনলোলশিং মতৌ তমদুনা হিংলিবনি। হৌখিবশিংদগী তম্লগা ঙসিগী মীরোলনা হিংউ হায়বা ৱাফম লৈ। অসিগুম্বা অরুবা কাঙলোনশিং অসি খঙদবা হায়বসি চহী নৌরিবা অঙাংশিংগা পাঞ্জকনি। করিগুম্বা লমদম অসিগী পুৱারী অমদি হৌরকফম খঙবা তারবদি ঐখোয় মশেলগী মরক্তা লৈরিবা ৱাখল তানদবগী থৌদোকশিং থোক্লম্লোই। মরম অদুনা হৌরক্লিবা নহারোলশিংনা লমদমসিগী পুৱারী খঙহনবা মথৌ তাই।

মণিপুরদা খুন্দারিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী হৌরকফম অমখক্তনি। মতমগী খোঙলৈ মতুং ইন্না তোঙান তোঙানবা মায়কৈদা তিল্লুবা ঙাক্তনি। হৌরকফম তিন্নবা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা তোখায় তোখায় তানবগী ৱাখল্লোন অমদি নত্তনা ৱাখল্লোন কয়া খন্নরিবসি থাদোক্কদবনি। মণিপুর ষ্টেট অসিদা খুন্দারিবা পুম্নমক্কী ইমা লৈপাকনি। মফম অসিদা ঐখোয় পুম্নমক্কী হৌরকফম ওইরিবনি। মসি খঙদবা তারবদি খুন্নাইদা তিনবা য়ারোই হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

লৈপাক অসিগী পুৱারী অসি ইপা-ইপুশিংনা ইদুনা থম্লমদবা তারবসু ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## পোপি পান্বী য়ান্থৎখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ ঃ নার্কোটিক্স এন্দ এফ্যের্স ওফ বোর্দর পুলিস ষ্টেসন, মণিপুরনা এন সী বি, ২৯শুবা আসাম রাইফলস অমদি চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকা খুৎশম্নদুনা থা অসিগী ৪দগী ১০ ফাওবা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতা একর ১০২ রোমদা থারম্বা পোপি পান্বীশিং য়ান্থৎখ্রে হায়না পুলিস দিপার্টমেন্ট, মণিপুরগী পি আর ও, আর কে তুতুসনানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, হীরম অসিগা মরী লৈননা কেস মঙা রেজিষ্টার তৌরে। এন এ বি পুলিস ষ্টেসন্না থিজিনবগী থবক মখা তানা চত্থরি।

## মীফম্লেন ফম্লগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ ঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, আসাম নগাঁও দিষ্ট্রিক্ট কমিটিগী ৫৫রক শুবা চহীরোল মীফম্লেন থা অসিগী ২৪দা পরিষদ ভবন হোজাইদা পাঙথোক্লগনি। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, আসাম নগাঁও দিষ্ট্রিক্ট কমিটিগী সেক্রেটরি গোপি মৈত্রমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ নগাঁও দিষ্ট্রিক্ট কমিটিগী ৫৫রকশুবা চহীরোল মীফম্লেন পাঙথোক্নবগীদমক এল গুলাপনা চ্যেরমেন ওইবা, তেন্সুবম মণিহারনা কনভিনর ওইবা মীওই ৩১না শাবা রিসিপ্সন কমিটি শেমখ্রে। থৌরম অসিদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, আসামগী প্রসিদেন্ট থিঙোম বেনুবাবুনা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াগনি। মীফম অসিগা মরী লৈননা য়াইফ খোঙচৎ অমসু চৎকনি। লাইরিক অনীসু ফোঙগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## লেম্না লায়েংখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ ঃ শীজ হোস্পিটাল এন্দ রিসার্চ ইন্সটিট্যুটনা য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, মোইরাংগা খুৎশম্নদুনা ঙসি কোঞ্জেংবম লৈকায়, মোইরাংদা ব্রেষ্ট এন্দ থাইরোইদ চেক-অপ হেল্থ কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। শীজ হোস্পিটাল এন্দ রিসার্চ ইন্সটিট্যুটকী বিজিনেস দিভলপমেন্ট ইগজিক্যুটিব টি ঐচ সন্তোশনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

# মী হাৎপগী কেসকা মরী লৈননা ফাখিবা মীওই কোর্টনা বেল পীখিবদা পেন্দবা ফোঙদোক্নরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচএনএস)ঃ মখুরা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎপা অমসুং অতোপ্পা মখুরা অমনা শোকখিবা কেসকা মরী লৈননা ফাখিবা মীওই অমা পুলিসনা মতম চানা চার্জসীট থাগৎপীখিদবা অমসুং কোর্টনা বেল পীখিবদা নাওরেমথোং খুলেম লৈকায়দা লৈবা নুপীশিংগী অপুনবা য়াইফ লূপনা শীন্দুনা ঙসি লৈকায় অদুদা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা পেন্দবা ফোঙদোকখ্রে।

মমাঙ চহীগী জুলাই ১দা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা নাওরেমথোং খুলেম লৈকায়দা থোকখিবা মীহাৎ-মীপুনগা মরী লৈননা পুলিসনা ফারবা তুংদা হন্দক্তা বেলদা থাদোরকই হায়রিবা মীওই অদুগী মমিং খুলেম জিতেন (৩৮) অপোকপগী মিং কেন্দ্রজিৎ কৌই। মহাক্না নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলি হায়না চার্জ তৌরিবা মখুরা অদুগী মমিংনা খুলেম কৃষ্ণমোহোন (৪১) কৌই। অশোকপা অদুগী মমিংনা খুলেম প্রিয়োবর্তা কৌই।

বেলদা থাদোরকপগী মতাংদা ফমখিবা ৱাকৎ মীফমদা শরুক য়াখিবী নুপী অমনা পাউচে অসিদা হায়খি, খুলেম জিতেননা থা ৩ হেন্না জুদিসল কষ্টদিদা লৈরক্লবা ফাওবদসু লম্ফেল পুলিস ষ্টেসন্না মতম চানা চার্জসীট থাগৎখিদে। মহাকপু বেলদা থাদোকখ্রবা মতুংদা পুলিসনা চার্জসীট থাগৎলি। মসিনা এক্যুজগা পুলিসকা লৌতুনরব্রা হায়বগী ৱাফম থোরকই।

সহর অসিগী ময়াইদা থোকখিবা মীহাৎ-মীপুন অমদি মীহাৎ অদুগী মায়োক্তা মীয়াম্না চত্থখিবা প্রোটেষ্টশিং অমত্তা নীংশিংদনা মরী লৈনবা কোর্টশিংনা এক্যুজবু বেলদা থাদোরকপদা লৈকায় অসিদা লৈরিবা মীওইশিং লৈতাফম খঙনদ্রে। মতুংদা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোরকপদা লৈঙাক্না থৌদাং পুগদবনি হায়রি।

জিতেন বেলদা থাদোকখিবদা প্রোসিদ্যুর চপ চানা ঙাকখিদে হায়না মরাল শীরক্লি। থৌওং অসিদি মোব জষ্টিসতা পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা থোক্লে হায়নসু নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

# পুলিস পর্সনেলশিংগী মাঙদা পাউমী ৩ তমথিনা ফুরক্লে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচএনএস)ঃ ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা কৈশামথোংদা ঙরাং নুমিদাং পুং ৯.৩০ রোম তাবদা কায়হৌরুবা তৌদনা পাউমী অহুম অমসুং প্রেস ক্লবকী এসিষ্টেন্ট অমা পুন্না মীওই মরি পুলিস পর্সনেলশিংগী মাঙদা তমথিনা ফুরক্লে। কায়নথংদা থৌদোক্তুদা চেন্নবা মীওই অমা পুলিসনা ফারে।



পাউমী ফুবগী থৌদোক্না মরী লৈননা ফারবা মীওই অদু কৈশামথোং তোপ লৈরক্তগী মৈস্নাম ধুজোন (৩০) অপোকপগী মিং কুলচন্দ্র কৌই। মহাক কৈশামথোং থোং ময়াদা শা অথোংবা য়োনবগী দুকান ফম্মী হায়রি।

থৌদোক অদুদা শোক্লবা পাউমী অহুম অদুদি সঙাই এক্সপ্রেস পাউচেগী সিনিয়ার ক্রাইম রিপোর্টর অথোকপা জিতেন, পিপলস ক্রোনিকলগী সিনিয়ার রিপোর্টর সুখাম নন্দ অমসুং পোক্লফম পাউচেগী সিনিয়ার রিপোর্টর আর কে বুল্লুনি। প্রেস ক্লবকী এসিষ্টেন্ট অদুগী মমিংনা জশোবন্ত কৌই।

শোক্লবা অথোকপম জিতেন হৌজিক হৌজিক ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু)গী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরি। অদুগা সুখাম নন্দনা অমজুগী ষ্টেন্দিং কমিটিগী মেম্বরনি। মখোয় মরি ফুবদা চেন্নবা ধুজোন ঙসি চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পুথোক্লবা তুংদা নুমিৎ ৪নি পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌথখ্রে।

ঙরাং নুমিদাং থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা ফংবা পাউনা হায়, পাউমী অহুম অমসুং প্রেস ক্লবকী এসিষ্টেন্ট অদু মখোয় মখোয়গী মথৌশিং লোইরদুনা হন্নরকপদা তাঞ্জা অমা চারুবদগী কৈশামথোংদা উনখিবনি। ক্বা চাখিসি হায়দুনা মনাক নকপদা লৈরম্বা পান দুকানগী মমাঙদা পাউমী অহুম অদুনা লৈরিঙৈদা প্রেস ক্লবকী এসিষ্টেন্ট জশোবন্তনা মপান থোক্লিংই হায়দুনা মফমদুদগী চৎখি। মহাক্না ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# অহানবা মণিপুর ষ্টেটহুদ ডে ৱিমেন্স পোলো টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচএনএস)ঃ মণিপুর গভর্ণমেন্টকী টুরিজম দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা জন্যুৱারী ১৭ তগী জন্যুৱারী ২১ ফাওবা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা অহানবা মণিপুর ষ্টেটহুদ ডে ৱিমেন্স পোলো টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি হায়না চীফ সেক্রেটরি ও নবকিশোরনা ফোঙদোকখ্রে।

ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসননা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা মণিপুরগী নুপী পোলো টিম মরি শরুক য়াবগা লোয়ননা ইন্টরনেশনেল গেষ্ট ওইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস পোলো এসোসিএসনগী নুপী টিম অমা শরুক য়াগনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা ওল্ড সেক্রেটরিয়েটকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ঙসি চীফ সেক্রেটরি ও নবকিশ্বরনা হায়খি, টুর্নামেন্ট অসিদা য়ু এস পোলো এসোসিএসনগী নুপী পোলো শান্নরোইশিং লাক্তুনা মণিপুরগী নুপী পোলো শান্নরোইশিংগা পুন্না টিম শেমদুনা অনৌবা মওংদা শান্নগনি।

মালেমদা মণিপুরগী শগোল পোনিবু মশক তাকপগা লোয়ননা ষ্টেটকী টুরিজম চাউখৎহনবদা টুর্নামেন্ট অসিনা চাউনা মতেং পাংলগনি হায়না চীফ সেক্রেটরিনা মখা তাখি।

মহাক্না হায়খি, ষ্টেটকী টুরিজম দিপার্টমেন্ট, ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসন, হন্টর এদভেঞ্চর, রাজষ্ঠান পোলো ক্লব অমসুং য়ু এস পোলো এসোসিএসন্না খুৎশম্নরগা শীনগদবা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা লেগ রাজষ্ঠানদা পাঙথোক্কনি।

পনবা য়াবদি, পোলো মশান্না চাউখৎহন্নবগী পান্দমদা চহী খুদিংগী নবেম্বর ২১দগী নবেম্বর ৩০ ফাওবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেলগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর পোলো ইন্টরনেশনেল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি।

# স্বামি ভিবেকানন্দগী ৱাখল্লোনশিং খঙমিন্নবা তঙাইফদে : ঐচ এন কে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচএনএস)ঃ স্বামি ভিবেকানন্দগী ৱাখল্লোনশিং ঙসিগী মীরোলনা খঙমিন্নবা তঙাইফদে হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেলর প্রো. ঐচ এন কে শর্ম্মনা ঙসি এম য়ুগী কোর্ট হোলদা পাঙথোকখিবা স্বামি ভিবেকানন্দগী মপোক নুমিৎ থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

নেসনেল সার্বিস স্কিম (এন এস এস) সেল মণিপুরগী য়ুনিভর্সিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এম য়ুগী ভাইস চান্সেলর প্রো. ঐচ এন কে শর্ম্মনা হায়খি, স্বামি ভিবেকানন্দগী মপোক নুমিৎ অসিবু নেসনেল য়ুথ দে হায়নসু পালন তৌনরি। স্বামি ভিবেকানন্দনা নহাশিংগীদমক অফবা মায়কৈদা পুখৎনবা ৱাখল্লোন কয়া পীরম্মী। মফম কয়াদা নেসনেল য়ুথ দে হায়নসু পালন তৌনদুনা মহাক্কী মপোক কুমওন অসি পাঙথোক্নরি। নহা ওইরিবশিংনা অফবা মীওইনবা অমদি খুন্নাইগীদমক য়াইফগদবা থবক কয়া তৌবা ঙম্নবা হোৎনবা চঙই। অফবা ৱাখল্লোনশিং লৈবা নহাশিংনা খুন্নাইগী অফবা থবক তৌবা ঙম্লক্কনি। স্বামি ভিবেকানন্দগী ৱাখল্লোনশিং ঙসিগী মীরোল ঐখোয়না খঙমিন্ননবা হোৎনবা অমদি মদুবু থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনবা চঙই। খুন্নাইগী ওইবা অফবা থবকশিংগীদমক কথোকপগা লোয়ননা হোৎনমিন্নবা তাই। তুংগী মীরোলগীদমক স্বামি ভিবেকানন্দনা মমল য়াম্লবা ৱাখল্লোন কয়া পীবিরম্মী হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা এম য়ুগী স্কুল ওফ সোসল সাইন্সকী দিন প্রো. ঈ বিজয়কুমারনা হায়খি, স্বামি ভিবেকানন্দ মীওইবা খুন্নাইগী য়াইফনবগীদমক মঙাল পীবিরম্বা মীওইনি। মখা লামায় ৩ কলম ৪

# ওল ইন্দিয়া টি এস এ ফেষ্ট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচএনএস)ঃ থাদৌ ষ্টুদেন্টস' এসোসিএসন (টি এস এ) জেনরেল হেদক্বার্টর অমদি টি এস এ চুড়াচান্দপুর ব্রাঞ্চনা খুৎশম্ননা শীন্দুনা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কুইতে ভীলেজদা ঙরাং ওল ইন্দিয়া টি এস এ ফেষ্ট-২০১৬ পাঙথোকখ্রে। ওল ইন্দিয়া টি এস এ ফেষ্ট-২০১৬গী কোওর্দিনেটর মাইকল হাওকিপনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, টি এস এ জেনরেল হেদক্বার্টরনা শিনবা অমদি টি এস এ চুড়াচান্দপুরনা হোষ্ট ওইদুনা পাঙথোকপা ওল ইন্দিয়া টি এস এ ফেষ্ট-২০১৬দা মণিপুর মনুং অমদি মপান্দা লৈবা টি এস এগী ব্রাঞ্চশিংগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি। টি এস এগী ব্রাঞ্চশিংগী মনুংদা টি এস এ দিল্লি, টি এস এ চুড়াচান্দপুর, টি এস এ হায়দ্রবাদ, টি এস এ বেঙ্গলুরু, টি এস এ ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# রেলৱে প্রোজেক্টকী থবক কে এস ওনা পুং ১২০ থিংজিনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচএনএস)ঃ জীরিবাম অমদি তমেংলোংগী লমদা রেলৱে লাইন শেম্লকপদা শোকহনখিবা লমশিংগী পীথোক্তনা লৈরিবা কম্পেন্সেসনশিং পীদববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা জীরিবাম অমদি তমেংলোং মায়কৈদা শুরিবা রেলৱে প্রোজেক্টকী থবক পুং ১২০গী ওইনা থিংজিল্লে হায়না কুকি ষ্টুদেন্টস' ওর্গনাইজেসন (কে এস ও) জীরিবাম এন্দ তমেংলোংগী জেনরেল সেক্রেটরি থাংবোই কুকিনা ফোঙদোকখ্রে।

কে এস ও, জীরিবাম অমদি তমেংলোংগী জেনরেল সেক্রেটরি থাংবোইনা ফোঙদোকখিবদা, রেলৱে লাইন শেমগৎপদা জীরিবাম অমদি তমেংলোংগী লম শোকহনখিবগী ৱাৎহৌবা কম্পেন্সেসনশিং পীবিদনা লৈরি। কম্পেন্সেসন পীবিদবা অসিগী মায়োক্তা কে এস ও জীরিবাম অমদি তমেংলোংনা ঙসি অহিং নোংয়াইদগী হৌরগা থা অসিগী ১৭কী অহিং নোংয়াই ফাওবা পুং ১২০গী ওইনা জীরিবাম অমদি তমেংলোং মায়কৈদা পায়খৎলিবা রেলৱে প্রোজেক্টকী থবক থৌরমশিং থিংজিল্লে।

রেলৱে লাইন শেম্লকপদা জীরিবাম অমদি তমেংলোং মায়কৈগী লম লৌশিনখিবগী কম্পেন্সেসন পীবিদবা অসিগা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা চেরোল কয়া পীখিবা লৈখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা থবক ওইনা পায়খৎলক্ত্রি। অৱাৎপা কম্পেন্সেসন পীবিয়ু হায়না মমাঙদা হায়খিবা ৱাফম থবক্তা ওন্থোরক্তবা অসিনা মরম ওইরগা খোঙজং অসি চঙশিনবনি। হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা সিলচরদা লৈবা এন এফ আরগী ওফিসলশিংগা উনবা মতমদসু নুমিৎ ১৫ রোম ঙাইবিয়ু ...মখা লামায় ৩ কলম ১

# য়ুনিয়ন এগ্রীকলচর মিনিষ্টর ঙসি ইম্ফালদা থুংলরগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচ এন এস)ঃ লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা মণিপুরদা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিং য়েংশিন্নবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর এগ্রীকলচর এন্দ ফার্মর ৱেলফ্যের মোহনভাই কল্যানজিভাই কুন্দারিয়ানা লূচিংবা টিম অমা হয়েং নুমিৎ হুম্নিগী খোঙচৎতা ইম্ফালদা থুংলগনি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসি হয়েং ইম্ফালদা হেক থুংলবগা চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীগা উনগনি। মদুগী মতুংদা ওল্ড সেক্রেটরিয়েটকী কনফরেন্স হোলদা ষ্টেটকী লৌউ-শিংউ লোয়শঙনা সেন্টরগী শেন্থং মখাদা পায়খৎলিবা থবকশিংগী পৱার-পোইন্ট প্রজেন্টেসন তৌগনি। মদুগী মতুং তারকপদা লম্ফেলপাৎতা লৈবা আই সী এ আরগী



মোহনভাই কল্যানজিভাই কুন্দারিয়া

ফাউন্দেসন দেগী থৌরমদা শরুক য়াগনি হায়রি।

মথংগী নুমিৎ জন্যুৱারী ১৪দা ইরোইশেম্বদা লৈবা সেন্ট্রেল এগ্রীকলচরেল য়ুনিভর্সিটিদা চৎকনি অমসুং মফমদুদা পাঙথোকপা থৌরমশিংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসি শরুক য়াগনি হায়রি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিগী খোঙচৎ মনুংদা রাষ্ট্রিয়া কৃষি ভিকাশ য়োজনা (আর কে ভী ৱাই)গী মখাদা ষ্টেট অসিদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনগদৌরি। স্কিম অসিগী মখাদা য়াইরিপোক য়াম্বেম অমসুং অদ্রোদা মনা-মশিং থাবগী পায়খৎলিবা থবকশিং য়েংগনি। মসিদসু নত্তনা সেন্দ্রাদসু চত্তুনা লোক্তাক পাৎতা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংসু য়েংশিনগনি হায়রি।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসি বি জে পি, মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটনসু তরাম্না ওক্লবা থৌরাং তৌরি।

H/L-P/7357/15/12-14/01,2016


| FOREX (INDIA RUPEES) | |
|---|---|
| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
| Euro | 72.558852 |
| US Dollar | 66.883212 |
| British Pound | 96.432685 |
| Australian Dollar | 46.843338 |
| Chinese Yuan | 10.171664 |
| Japanese Yen | 0.567749 |
| Malaysian Ringgit | 15.259621 |
| Nepalese Rupee | 0.646183 |
| Russian Ruble | 0.875814 |
| Singapore Dollar | 46.543271 |
| South Korean Won | 0.055362 |
| Bangladesh Taka | 0.85300 |
| Myanmar Kyat | 0.05142 |
| Thailand Baht | 1.841506 |

Spot Gold (24K) Rates/10gm

| City | | Rate |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 26,390 |
| Delhi | – | Rs 26,360 |
| Kolkata | – | Rs 26,420 |
| Mumbai | – | Rs 26,350 |


## অস! লোইরেহে!

ফী লৌ য়াই, লাইরিক, বোয়, য়ুনিফোর্ম লল্লোনবদি হেনমন্দ্রা...?



মসিদা তৌজগেনা লিংখৎচরিনি...!


